# টালিবাননা আর্মি বেজদা এটেক তৌদুনা লান্মী ২৬ হাৎখ্রে



কান্ধার, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):

অফঘানিষ্টানগী খা থংবা কান্ধার প্রোভিন্সতা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা টালিবাননা এটেক চথ্বদা য়ামদ্রবদা অফঘান লান্মী ২৬ শিখ্রে অমসুং ১৩ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অসি লালহৌবা থেংনবদা ৱারবা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা পীবা অনৌবা চৈথেং অমনি।

হৌখিবা অহিংদা মিলিটেন্টশিংনা কান্ধারগী খাক্রেজ ডিষ্ট্রিক্টকী কার্জালি এরিয়াদা লৈবা আর্মি কেম্প অমদা এটেক তৌখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্সকী স্পোক্সমেন জেনরেল দাৱলাট ৱাজিরিনা হায়খি।

মিলিটেন্টশিংদু অফঘান লান্মীশিংনা থৌনা ফনা থেংনখি অমসুং মিলিটেন্ট ৮০ হেন্না হাৎখি হায়না মহাক্না মখা তাখি। মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা টালিবান মিলিটেন্ট চা কয়া ভেহিকল ৩০ মুক্না হোল্লত্তুনা বেজ অদুদা মায়কৈ কয়াদগী চঙশিন্দুনা এটেক তৌখিবা অমসুং পূং কয়ামুক চুপ্না লাল শোক্লখিবগী পাউদমশিং তম্নখি।

লান্মীগী মায়কৈদগী এয়র সপোর্ট কৌখি হায়না লমদম অদুগী মীওই কয়ানা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ওফিসলশিংনা মদু কনফার্ম তৌখিদে। লালহৌবশিংদুনা এটেক অদু মখোয়গী ত্বিটর একাউন্টকী খুত্থাংদা ক্লেম তৌখি।

নৌনা মপাঙ্গল হাপকৎলক্লবা টালিবাননা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা মখোয়গী কেম্পেইন কনশিল্লকখি। ফিভম অসিনা লাল নংলবা লৈবাক অদুদা কালেনগী লালগী মতমদা সিক্যুরিটিগী ফিভম শোন্থবগী মওং উৎলি। মতম অসিদা মিলিটেন্টশিংগী থবকশিং মহৌশাদগী কনখৎতুনা লাকখিবনি।

শিবগী চাং ৱাংলবা, থবকতগী চেন্থোক্লখিবা কয়া য়াওরবা অমসুং পেরোলদদি য়াওবা মশা লৈত্রবা ঘোষ্ট লান্মী কয়া য়াওরিবা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ু এসনা লূচিংবা নোংচুপলোমগী ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুদগী ৱিথড্রো তৌখিবা মতুংদা লালহৌবশিং তকথোক্লবা ৱানা হোৎনদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৪ গী ডিসেম্বরদা নেটোগী ট্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী হন্দোকখিবনি। হৌখিবা ২০১৬ তা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মীশি-মীনা থোকপগী চাং চাদা ৩৫ হেনগৎখি। মসি লান্মী অমসুং মিলিটেন্ট ৬,৮০০ শিখিবদা পাবনি হায়না য়ু এসকী ৱাটচদোগ সিগারনা হায়রি।

লালহৌবশিংনা ২০১৭ তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা হেন্না লুবা এটেক কয়া পাঙথোকখি। সিগারনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা শিখিবা ট্রুপশিংগী মশিং অদুক্কী মতিক ৱাংখি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা নোরদর্ন সিটি মাজর-ঈ-শরিফকী মপানদা লৈবা বেজ অমদা টালিবাননা চথখিবা এটেকতা য়ামদ্রবদা লান্মী ১৩৫ শিখি। মদু টালিবাননা মিলিটরি ইনষ্টোলেসন অমদা চথখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। সোর্ছ খরনা এটেক অদুদা লান্মী ২০০ ফাওবা শিখি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মার্চথাগী অঙনবদা ডোক্টরগী ফিজোল শেৎপা মিলিটেন্টশিংনা কাবুলদা লৈবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাউবা মিলিটরি হোস্পিটাল ওইরিবা সরদার দাউদ খান হোস্পিটালদা এটেক তৌখিবদা মীওই কয়া শিখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা অচৌবা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোক্লবগী খুদম ফংলে : য়ু এস



ৱাশিংটন, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):

নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা পাঙথোক্লবা শেম-শাবগী খুদমশিং পেন্টাগোননা ফংবা ঙম্লে হায়না য়ু এসকী ডিফেন্স ওফিসল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। পিয়োংয়াংগী মথক্তা য়ু এনগী অনৌবা অথিংবা কয়া থম্লবা চাইনাদা প্রেসর পীবদা প্রোগ্রেস লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখিবগা চান্ননা পেন্টাগোননা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংগী ৱাফমসি ফোঙদোরকখিবনি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা চাংয়েংদু পাঙথোকপা তারবদি মদু জুলাই ২৭ তা তাগনি। নুমিৎ অসি কোরিয়ন অর্মিষ্টিস এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনবগী ৬৪ রক শুবা কুমওন তারিবনি। নুমিৎ অসি ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈরবা নোর্থ কোরিয়াদা পব্লিক হোলিদে অমনি অমসুং ভিক্টরি ডে হায়না সেলেব্রেট তৌই।

চাংয়েং তৌগদৌরিবদু ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইল অমা নৎত্রগা কে এন - ২০ নৎত্রগা হৱাসোং - ১৪ হায়না খঙনবা নোর্থ কোরিয়াগী আই সি বি এম অমা ওইবা য়াই হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি। মদু পিয়োংয়াংগী অনীশুবা আই সি বি এম চাংয়েং ওইগদৌরিবনি। হৌখিবা জুলাই ৪ দা পাঙথোকখিবা চাংয়েংনা মালেম পূম্ববু নুংনাংবা পোকহনখি।

এক্সপার্টশিংনা মিসাইল অদু অলাস্কা য়ৌবা ঙমগনি হায়না থাজবা ফোঙদোক্লখি। পিয়োংয়াংনা মতম শাংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এটোমিক ৱারহেদ পুবা ঙম্বা মিসাইল অমা শানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী ন্যুজ এজেন্সি য়োনহাপনা গভর্নমেন্ট সোর্ছশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা নোর্থ পিয়োঙান প্রোভিন্সতা আই সি বি এম লোঞ্চ ট্রাকশিং য়াওবা ট্রান্সপোর্টর ইরেক্টর লোঞ্চরশিং লেং-ওৎপগী ফিভম সিওলনা উখি।

মখোয়না করিগুম্বা অমা থম্লবা শেমগৎ-শাগৎপগী মওং উই হায়না য়ু এস ডিফেন্সকী অনীশুবা ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী জুলাই ৪ গী চাংয়েং অদুগী মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ু এনদা পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

য়ু এনগী অনৌবা অকনবা অথিংবা কয়া পিয়োংয়াংগী মথক্তা থম্লবা চাইনাগা ৱারী শানবদা প্রোগ্রেস লৈরে হায়না য়ু এসকী য়ু এনদা লৈবা অম্বেসেদর নিকি হেলিনা ঙসি ফোঙদোকখিবনি।

# ৱাশিংটন পোষ্টপু এমাজোননা লোবী তৌবদা শীজিনৈ : ট্রাম্প

ৱাশিংটন, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):

এমাজোনগী ফাউন্দর অমসুং সি ঈ ও জেফ বেজোসনা কন্ট্রোল তৌবা ৱাশিংটন পোষ্টপু চৈ থাংলদুনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পনা হায়খ্রে মদুদি, ঈ-কম্মর্স জাইন্ট অসিগী টেক্স-মোনোপোলিদা য়েংশিল্লক্তনবা নুংতিগী ফোংবা পাউচে অসিনা শেমজিন-শাজিনবা পাউ কয়া ফোংদুনা কোংগ্রেসতা প্রেসর পী।

‘পোলিটিসিয়নশিংবু এমাজোনগী নো-টেক্স মোনোপোলিদা মীৎয়েং চঙহন্দনবা শেমজিন-শাজিনবা পাউ কয়া ফোংবা ৱাশিংটন পোষ্টপু কোংগ্রেসকী মায়োক্তা লোবী তৌনবগী খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরিবরা?’ হায়না ট্রাম্পনা হৌখিবা অহিংগী অথেংবদা পরিং নাইনা থাগৎখিবা ত্বিটশিংগী খুত্থাংদা হংখি।

‘ঐহাক্কী মরমদা ৱাশিংটন পোষ্টকী ৱেবসাইটতা ফোংলিবা ৱারী কয়া শেমজিন-শাজিনবা ঙাক্তা ওই। ঐহাক্না অশাদকা লান্থেংনরিবা সিরিয়াগী রেবেলশিংদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মওংদা, য়াম্লবা শেনফমশিং অরেম্বদা পীথোকপা থিংজিনবগী মতাংদা এমাজোন ৱাশিংটন পোষ্টনা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া ফোংই” হায়না মহাক্না সিরিয়াগী মরমদা ৱারী অমা ইবগীদমক্তা ৱাশিংটন পোষ্টপু শিংনরদুনা হায়খি।

লিদ ষ্টোরি অমদা ৱাশিংটন পোষ্টনা হায়খি মদুদি, রশিয়াগা কোওপরেসন পীনবা হায়বসি সিরিয়াদা ট্রাম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা আই এস আই এস থেংননবা পায়খৎপা লাল্লোংগী মরু ওইবা শক্তম অমা ওইরক্লে।

টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা কোলিসননা শৌগৎতুনা পাঙথোক্লিবা ওপরেসনশিংদা সিরিয়ন গভর্নমেন্টগী ফোর্সশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংনা খূৎ থিংজিল্লক্তনবনি হায়দুনা য়ু এসকী মিলিটরি প্লানরশিংনা মোস্কোগী মতেং লৌনবা হোৎনরি হায়না পাউচে অসিনা ইখি।

অদুম ওইনমক লোমেকর অমসুং হ্বাইট হাউসকী ওফিসল খরনা অশানবা মীৎয়েং য়াওদবা য়ু এস মিলিটরিগী লাল্লোংনা সিরিয়াদা রশিয়া, ইরান অমসুং অশাদতা মতম শাংনা খুদোংচাবা পীরে অমসুং মদুনা মমৈথংদা মায়থিবা নংখ্রবা আই এস আই এসপু অমুক হন্না মপাঙ্গল শাগৎপা ঙমহন্নবগী থোং হাংখ্রে হায়না নুংনাংবা উৎখি হায়নসু পাউচে অদুনা ইখি।

চৈরকসিদা, সিনেট আর্মদ সর্ভিসেস কম্মিটিগী চ্যেরমেন সিনেটর জোন মেকেননা হায়খ্রে মদুদি, অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ট্রাম্প এদমিনিষ্ট্রেসন অসি রশিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা শান্নবা য়াবগী ফিভম অমা লাকহল্লে।

# দলাই লামা চঙহন্দনবা চাইনানা অপীল তৌখ্রে

বৈজিং, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):

চাইনানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অমুকসু মালেমগী লৈবাকশিংদা টিবেটান স্পিরিচ্যুঅল লীদর দলাই লমাবু চঙহন্দনবা তকশিনখ্রে।

মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা ঐখোয়না চাইনাগী মরু ওইবা অনিংবা অপাম্বশিং ইকায়খুম্ননবা অমসুং অচুম্বা ৱারেপশিং লৌনবা তকশিল্লি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন লু কাং পল্লদুনা হায়খি। স্পোক্সমেন অসিনা দলাই লমানা মপান লৈবাক কয়াদা চৎপদা বৈজিংনা করি ফিরেপ লৌবগে হায়বদু নৌহৌননবা পনখিবনি।

স্পিরিচ্যুঅল লীদর অসিনা ওগষ্ট ১৭ তগী বোটসৱানাগী গাবোরোনদা হৌগদৌরিবা নুমিৎ হুম্নিগী হ্যুমেন রাইটস কনফরেন্সতা শরুক য়াগনি।

লুনা হায়খি, চাইনানা অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা কৈদৌঙৈদসু খূৎ থিংজিনখিবা লৈতে। লৈবাক অসিনা অতৈ লৈবাকশিংবুসু বৈজিংনা মরু ওইনা লৌরিবা ৱাফমশিংদা খূৎ থিংজিনহল্লোই।

চাইনানা দলাই লামাবু মপানদা উবদা অফবা মাল্লগা থাঙ্গৈশেংবদি ফৎতবা মীওইনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু টিবেটতা তোখায় তানবগী থবক থৌওং কয়া চৈথে হায়না মরাল শিরি।

কুমজা ১৯৫৯ দা টিবেটতা মীয়ামগী ঈহৌ অমা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা দলাই লামানা ইন্দিয়াদা চেনখি অমসুং মতমদুদগী হৌনা মহাক মরন্নাইগী ৱারেপনা লোই ওইনা লৈরকখি।

# ট্রুস চৎনরিঙৈদা রেবেল টাউনদা এটেক তৌখ্রে

বৈরুট, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):

সিরিয়াগী কেপিটেল দামাসকসকী নোংপোক্তা লৈবা রেবেলশিংনা পায়শিনবা টাউন অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চৎথবদা মীচম নিপান শিখ্রে। মফম অদুদা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা ট্রুস অমা চৎনবা হৌখিরম্বা য়াই হায়না মোনিটর অমনা হায়খি।

থাংজ নুমিৎতা গভর্নমেন্টনা সিজফায়র লাউথোকখিবা ইষ্টর্ন খৌতাগী রেবেলশিংগী মকোন অর্বিনদা নুমিদাং পূং ১১.৩০ তাবা মতমদা চৎথখিবা ষ্ট্রাইক অদুদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা অঙাং অহুম অমসুং নুপী অমা য়াওখি হায়না সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা জুলাই ২৪ দা ফোঙদোকখি।

ওবজর্ভেটরিগী চীফ রামি অজল রহমননা হায়খি, য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ সু অশোক অপন নংখিবা ষ্ট্রাইক অদু গভর্নমেন্টগী ৱার প্লেনশিং নৎত্রগা মসিগী মীচং ওইরিবা রশিয়াগী প্লেনশিংনা পাঙথোকখিবা ওইরম্বা য়াই।

গভর্নমেন্টগী মীচংশিং ওইরিবা ইরান অমসুং রশিয়া অমসুং রেবেলশিংবু শৌগৎপা টর্কিনা হৌখিবা মে থাদা সাইন তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা ইষ্টর্ন খৌতাদা চৎনহন্নবা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখিবা ট্রুস অদু অনীরকশুবা খূৎ থানদবগী খোঙথাংনি। মান্নবা সিজফায়র অমা হৌখিবা জুলাই ৯ দা সিরিয়াগী খা থংবা এরিয়াশিংদা লাউথোকখি।

এগ্রিমেন্ট অদুগী মখাদা ‘দি ইস্কেলেসন জোনশিংগী মরু ওইবা লানবুং মরিদা চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী ঙমখৈশিং অমসুং কনানা মখোয়বু ঙাক্কদগে হায়বগী মতাংদা য়ানদবা কয়া লৈ।

সিজফায়রদু মোনিটর তৌনবা ইষ্টর্ন খৌতাদা চেকপোইন্ট অনী অমসুং ওবজর্ভেসন পোষ্ট অনী শেমগৎলে হায়না রশিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

**NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR**
**Langol, Imphal West, Manipur, 795004**
**B.Tech/B.Arch Programme Admission 2017-Special /Last Round**

As per approval of the HR Ministry for ensuring filling up of all the vacant seats for B.Tech course, eligibility criteria has been relaxed by Central Seat Allocation Board (CSAB) for Special Round of admission in Home State quota in NITs of North Eastern States on merit basis based on JEE Mains marks.

Candidates who secured at least 45% marks (40% for SC/ST/PwD) in the 12th Class shall be eligible to apply. In case, any Home State Quota seats are left over even after allotment of seats to the candidates of Home State candidates, such vacant seats will be filled up by the candidates of other states having same category on the basis of JEE (Main) rank. Aspiring Candidates are hereby advised to visit NIT Manipur, Takyel Campus as per the following schedules for registration.


1. Registration and subject choice filling: 27th- 29th July
2. Eligibility: 45% in Class XII for General/OBC & 40% for SC/ST/PWD.
3. Selection criteria: Based on score & rank of JEE mains.
4. For more details, please visit NIT Manipur, Takyel Campus, Room 101.

Further, for any queries candidates may also contact the undersigned through mobile (10.00 a.m. to 5.00 p.m.).

**Dr.P. Albino Kumar**
Head & Associate Dean (Students Welfare)
Civil Engg. Dept
Email: albinoiit@gmail.com
Mobile:8729971906 7085647519

HL-P/2403/27

**/শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম:**



ঐখোয় খ্বাই পুম্নমকপু কোনবীরম্বা **কুমাম ইবোমচা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৫-০৭-২০১৭ ইং, থৱানগী নীনি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ঈশ্বরগী খুয়াদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৩০-০৭-২০১৭ ইং, থৱানগী ৭ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ০৭-০৮-২০১৭ ইং, থৱানগী ১৫ নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিৎতা শোরাৎ থোক্লে।

নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং ঈশ্বরগী খুয়াদা কচ্চগদৌরি। থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরূপ-মপাং অমদি শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পুম্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা শরুক য়াবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউচেদা পাউজেঞ্জবগী অরান-অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

*নোল্লুকচরিবশিং :-*


১। কুমাম অনন্দ সিংহ (মচানুপা)
২। কুমাম নন্দশ্যাম সিংহ (মচানুপা)
৩। কুমাম সান্তকুমার সিংহ (মচানুপা)

# 9862268399, মোইরাং কুমাম লৈকায়।

HL-P/2275/27to1 Aug.

**পাইলগী ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি**

*ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অমসুং মতম কুইনা চঙবা, মখাক নাইবতা মানবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা ঈ য়াওবা অমসুং তপ-তপ তাবা*



ঐগী হকচাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংমক লোইনা হামদবা, পীক্না নকচেক নাইনা য়াম্না লিক্না হাম্বা অদুনা মরম ওইরগা য়াং মরী নুংঙাইতবা, খ্বাঙ নাবা, মীৎ মরী শোন্থবা, ঙকশক মরী নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা ঈ য়াওরকপা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪-৯৪৭৮৩** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং য়াম্না ফরে, নুংঙাইরে। ওজা কবিরাজবু পূন্সি চূপ্পগী কাউজরোই। মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচবগা লোয়ননা তাইবঙ মপুনা ওজাবু চানবীবা ওইসনু !

*লায়েংফম ঃ* 1. Minuthong Opposite Kekrupat Three Star Palace. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar, 3. Moreh No.-2 Gate.

*থাগৎচরিবা ঃ* **MD. RAFIQ**
**M.I. Bazar, Mayang Imphal.**

HL-P/1979/03/7-12/08

**/দশা য়েংজরি**

তোঙান-তোঙানবা এন্ত্রান্স, অৱাংবা এগজাম থাগদবা, থবক্কী ইন্টরবিয়ু য়াওগদবা, লমদা মহৈ তম্বা চৎকদবা, মতম চানা দশা য়েংথোকপীদুনা মায় পাক্লবা লম্বীদা এষ্ট্রো-সাইন্সকী মতেং লৌবীয়ু। লোয়ননা করবার, য়ুম্বাল, হকচাংগী অনাবা ফনবা তানবীয়ু।

জে এম ডা. পি ঐচ রাজেন্দ্র
নোংমৈবুং ৱাঙ্খৈরাকপম লৈকায়, ইম্ফাল।

HL-P/2276/27 Jul. to 8 Aug. (Alt.)

**/ফিষ্টুলাদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সৌজ নান্থবা, পুক্তা চাকপা শৌবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, তাং তাং চিকপা ফহনবগী জা জিয়া উল-হগপু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফিষ্টুলাদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মতম খূদিংদা মপান্দা থোক্লকপা, ফিষ্টুলা তৌরিবা মফম অদুদা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপনা মরম ওইদুনা অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সৌজ নান্থবা, ফম্বা মতমদসু সৌজ নান্থবা, সৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইদুনা পাঙ্গল শোনবা, পুক্তা চাকপা-শৌবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খ্বাঙ নাবা, ফিঙৌ য়াম্না চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, তাং-তাং চিকপা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 96152-56612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মপোকসিমগী কাউজরোই।

*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekrupat, Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday Open).

*থাগৎচরিবী :* **M. Rita Shani**
***Yairipok Bamon Leikai***

HL-P/3961/22/06-27/07

**/নাতোন মনুংদা য়াম্না নাবা, লোক খুবদা নপ মহী চেন্থবা, কোক চিকপা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা সাইনসনা য়াম্না শাথিনা কন্না নাদুনা নাতোন মনুংদা য়াম্না শাবা, লোক খুবদা নপ মহী চেন্থরকপা, কোক চিকপা, নপ শিৎপদা মরক-মরক্তা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা ফুঞ্জিল্লগা লৈবা, নাকোং ঙঙদুনা লৈবা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা-থকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮-৭০০২৭** তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ওপরেসন তৌদনা ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

*থাগৎচরিবা :*
**R.K. (o) Guni Devi**
Naoriya Pakhanglakpa Lourembam Leikai

HL-P/1968/27

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR:**
**IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR**

***Ref. Mut. Case No. 1305/SDC/IW(C)/20/07/2017***

1. Smt. Ayekpam (N) Nameirakpam (o) Babita Devi w/o (L) Nameirakpma Sarat Singh, 2. Km. Nameirakpam Brainy Devi d/o (L) N. Sarat Singh (represented by her mother) both of Kwakeithel Moirangpurel at present Top Awang Leikai Tinsid Road. *-Petitioners*

-Vs-

Late Nameirakpam Sarat Singh s/o (L) N. Ibohal Singh of Kwakeithel Moirangpurel (Co-Pattadar No. 2). *-O.P. Party*

**/NOTICE**

Imphal, the 21th July, 2017

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি, Late Nameirakpam Sarat Singh পীং (L) N. Ibohal Singh Kwakeithel Moirangpurel গী মিংদা লৈবা ঈঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৩-খগেমপল্লিগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৪৭, অরিবা পাট্টা নং ২৬০, দাগ নং ১২৯ অমসুং এরিয়ানা ০.১২১৯ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দাকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

***Sd/- A. Rasitombi***
B.C. to SDC, Imphal West (Central)
Manipur.

HL-P/2115/27

# স্ক্রব টাইফস - খঙবা য়াবশিং

## স্ক্রব টাইফস করিনো?

- স্ক্রব টাইফস অসি গ্রাম নেগেটিভ প্রিমিটিভ বেক্টিরিয়া, ***ওরিয়েন্সিয়া সুটসুগামুসি*** না থোকহনবা লৌনগনবা লায়না অমনি।
- খঙহৌদনা লাইহৌ কন্না হৌরকপগা লোয়ননা হকচাংদা মচেৎ মচেৎ ঙাঙনা লাংলকপা, মসল নাবা, লোক খুবা অমসুং অতৈ পুককী লাইওংশিংনা মরুওইনা লায়নাসিগী লাইওং তাকই।
- লায়না অসি বেক্টিরিয়া পল্লবা চীগর (ট্রোম্বীকুল্যিদ মাইটশিংগী মচা) না চিকপদগী থোকই।
- লায়নাসিগী কেসশিং তঙ্খায় অমদা, এস্কার কৌবা অমুবা হম্বু অমা কাখৎপা থেংনৈ। অমুবা এস্কারনা স্ক্রব টাইফসনি হায়বা তাকই।
- লায়না অসি মীদগী মীদা শন্দোক্তে।
- চীগরশিং অসি য়াম্না পিকই, মেগনিফায়ীং গ্লাসনা উবা ঙমই অমসুং মহৌশানা ইনশাং নাপীগী ইঙ্খোল অমসুং নারক মোংশোংদা ফংই।

## চেকশিন থৌরাংশিং :

- নারক মোংশোংশিং, উমংশিং অমসুং লৌবুকশিংদা চৎপদা হকচাং ঙাকথোক্কদবা ফিজোলশিং শেৎ-চাও।
- করিমত্তা য়াওদনা নৎত্রগা সেন্দল তোংলগা চৎপগী মহুৎতা খোঙ মোজা য়াওরগা স্নিকরশিং নৎত্রগা বূটশিংগুম্বা খোঙউপ শীজিন্নৌ। “মোংশোংদা চৎপা” মতমদা খোংগ্রাও অশাংবা শেৎপনা হেন্না ফৈ।
- নাপীদা নৎত্রগা লৈমাইদা হকথেংননা হিপকনু নৎত্রগা ফমগনু, ফিদা নৎত্রগা কোভর শীজিন্নৌ।
- নারক-মোংশোং, উমং অমসুং লৌবুকনচিংবদা থবক তৌবদা হকচাংদা নৎত্রগা ফিরোলদা তিল-কাঙ চঙদনবগী হিদাকশিং থাবা য়াই।
- লৌবুক নৎত্রগা উমংদা থবক শুরুরগা হল্লকপদা ফজনা ঈরু-মাইথজথোকউ অমসুং ফিরোল অপূম্বা শুদোক-চামথোকউ।
- লৈনরিবা য়ুমগী অকোইবদা নাপী-শিংবী হৌহনগনু। উচিনা পাম্বা মফমশিং থল্লোইদবনি। উচিশিং/রোদেন্টশিংদা বেক্টিরিয়া পকপা মাইটশিং চেনবা য়াই।
- য়ুমদা লোয়বা পেটশিং/শাশিং পায়-খোৎপা হন্থৌ। পায়রুবা মতুংদা খূৎ-শা নিংথিনা হামদোক-চামথোকউ।

◆ স্ক্রব টাইফস ফহনবা ঙমই।
◆ চিংনরবদি, ডোক্টর অমা নৎত্রগা খ্বাইদগী নকপা হেল্থ সেন্টর তানৌ।
◆ মতম চানা খঙহৌরবদি, লায়না অসি ডোক্সিসাইক্লিন নৎত্রগা অজিথ্রোমাইসিন শীজিন্নরগা মপূং ফানা ফহনবা ঙমই।

HL-B/4041/27

**আই ডি এস পি, এন ঐচ এম, মেদিকেল ডিরেক্টরেট, জি ও এম**